# নৱাজ সরিফনা নরেন্দ্র মোদিদা টেলিফোন তৌরকখ্রে

## পথানকোটকী থৌদোক্তা চেন্নবশিংগী মথক্তা এক্সন লৌখৎপদা মতেং পাংগনি হায়রক্লে



ন্যু দিল্লি, জন্যুৱারী ০৫ ঃ
পথানকোটকী এয়রবেজ অমদা এটেক চথুরকখিবগী থৌদোক্তা চেন্নবা মীওইশিংগী মথক্তা এক্সন লৌখৎপদা অঙন্বা মতেং পাঙগনি হায়না পাকিস্থানগী প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ সরিফনা ইন্দিয়াদা ফোঙদোরকখ্রে।

সরিফনা ঙসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা টেলিফোন তৌরক্তুনা ৱাফম অসি ফোঙদোরকখিবনি। ইন্দিয়ন এয়রফোর্সকী বেজদা চথুরকখিবা এটেক অদুগী মতাংদা ইন্দিয়ানা পীরকখিবা রিপোর্টতা য়ুম্ফম ওইরগা থবক পায়খৎপা হৌরে হায়না পাকিস্থানগী ফোরেন ওফিসনা ৱারোল অমা থাদোরকখ্রবা মতুংদা সরিফনা টেলিফোন তৌরদুনা ৱাফম অসি খঙহল্লকখিবনি।

লাইবক থীবা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগীদমক অৱাবা ফোঙদোক্লদুনা মিনিষ্ট্রি ওফ ফোরেন এফেয়সকী স্পোক্সপার্সননা থাদোরকপা ৱারোল অমনা হায়খি, লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুং-মনুংনা নংহৌরিবা অৱাবা পুন্নমক ময়েক শেংনা খঙই। সেক্যুরিটি পার্সনেল ৭ শিখিবগী থৌদোক অদুবু কন্দেম তৌরদুনা স্পোক্সপার্সননা হায়খি, টেররিজম মুখৎপা হায়বা পাকিস্থানগী থৌশিল অমগী মখাদা ইন্দিয়ন গভর্ণমেন্টকা পুন্না থবক তৌমিন্নদুনা থৌদোক অদুগী লংলা-লংজিন পুথোক্লবা হোৎনরি।

অনৌবা চহী হৌবগী লাঙনরিঙৈগী চৈরক্তা টেররিষ্টশিংনা চথুরকখিবা এটেক অদুনা মীপুম খুদিংমক অঙকপা পোকহনখি। অদুবু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লাহোরদা চৎতুনা পাকিস্থানগী মহাক্কা ফম মান্নবা নৱাজ সরিফকা ৱারী শানখিবা থৌদোক অদুগী মতুং তারকপদা টেররিষ্ট ওর্গনাইজেসন খরনা তমথীবা মওংদা এটেক চথুরকপা য়াই হায়বা ৱাফম অসি হান্নদগী হৌনা চিংনদুনা লাক্লবনি।

মরকসিদা, থৌদোক অদুগী মতাংদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী লৌখৎখিবা থৌশিল শোয়বদগী মমল য়াম্লবা মীওই কয়াগী পুন্সি অরেম্বদা মাঙখিবনি হায়না মায়কৈ কয়াদগী ফোঙদোক্লুরক্লি। হেন্না মরু ওইরিবা ৱাফমদি, ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্থানগী মরক্তা লৈনরিবা মরী অসি করম্বা মায়কৈদা চৎখিগদগে হায়বদুনি।

অমরোমদা, সেক্যুরিটি ফোর্সেসনা কোম্বীং ওপরেসন চথুরিবা পথানকোট এয়রবেজদা নৌনা পোকখায়বগী মখোল অমা তাবা ফংখ্রে। মফম অদুদা লোৎতুনা লৈরিবা টেররিষ্ট পুন্নমক তকথোকখিনবগী পান্দমদা সেক্যুরিটি পার্সনেলশিংনা নুমিৎ ৪ নিগী মমাঙদগী ওপরেসন চথদুনা লাকখিবনি।

অমরোমদা, দিফেন্স মিনিষ্টর মনোহর পরিকরনা থৌদোক থোকফমদা চৎতুনা ফিভম য়েংশিনখ্রে। তুংদা মহাক্না পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা হায়খি, পথানকোট এয়রবেজদা চথুবা মিলিটরি ওপরেসন লোইশিল্লে। হৌজিক ফাওবদা টেররিষ্ট ৬ হাৎপা ঙল্লে। এয়রবেজ অদুগী অকোয়বদা টেররিষ্ট খরা লোৎতুনা লৈরম্বা য়াই হায়না চিংনবদগী মখা তানা থিবা হুন্বগী থবক চথুখিগনি।

মথৌ নীংথিনা তৌবগীদমক সেক্যুরিটি ফোর্সেসপু থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা দিফেন্স মিনিষ্টরনা হায়খি, লৈবাক্কীদমক থৱায় খুবাক্তা হাপ্তুনা মথৌ তৌরিবা সেক্যুরিটি পার্সনেলশিংগী মথৌনা থাগৎনীংঙাইনি। নোংমৈ কাপ্লখিবা মফম খুদিংমক চৎতুনা য়েংশিনবদা পোকখায়হন্নবা মচাক (এম্যুনিসন) কিলোগ্রাম ৫০ রোম লৈরম্বা থেংনখি। পোৎলম খরদি পাকিস্থানদা শাবগী খুদম ফংখি। হীরম অসিগী মতাংদা নেসনেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সী (এন আই এ)না মমুৎ তানা থিজিল্লগনি।

চথুখিবা ওপরেসন অদুগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, সেক্যুরিটি ফোর্সেসকী মায়কৈদা অশোয়বা খরা লৈখি হায়বগী খুদম ফংলে, অদুবু পাক চাউরবা কেম্পস ওইবা মরম্না ঙাক শেলগী থৌরাং লৌখৎপদা অশোয়বা লৈখিবা মাল্লি।

পথানকোট ওপরেসনদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংবু লানফমদা শিখিবা লান্মী অমগা চপ মান্ননা অৱাংবা থাক্তা ইকাইখুম্নবা উৎপগা লোয়ননা মখোয়গী ইমুং-মনুংদা খুদোংচাবা পীরগনি হায়না দিফেন্স মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

# অৱাং নোংপোক্কী লালহৌবশিংগী কেম্প কয়া বাংলাদেশতা লৈরি : মনিক



অগরটালা, জন্যুৱারী ০৫ ঃ
বাংলাদেশ গভর্ণমেন্টনা মতিক চাবা থৌরাং কয়া লৌখৎলবসু ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক্তা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা লালহৌলুপশিংগী কেম্প কয়া লৈবাক অদুদা লৈরি হায়না ত্রিপুরাগী চীফ মিনিষ্টর মনিক সরকারনা ফোঙদোকখ্রে।

টেররিজমগী মায়োক্তা থবক থৌরম কয়া লৌখৎলকপগীদমক প্রাইম মিনিষ্টর শৈখ হসিনানা লুচিংবা বাংলদেশ গভর্ণমেন্টপু থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা মনিক সরকারনা হায়খি, বাংলাদেশকী সেক্যুরিটি ফোর্সেসনা লৈবাক অদুগী গভর্ণমেন্টকী পাউতাক মতুংইন্না মফমদুদা লৈরিবা মিলিটেন্ট পুন্নমক তকথোক্লবা অকনবা থৌরাং লৌখৎলি। অদুমওইনমক লালহৌবশিংগী কেম্প খরদি লৈবাক অদুগী তোঙান-তোঙানবা মফম খরদা অদুম্মক লৈরি।

ত্রিপুরা য়াওনা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী লালহৌলুপ কয়ানা মফম অদুদা কেম্প হাংদোক্তুনা লৈরি। বাংলাদেশতা হৌজিক পাল্লিবা গভর্ণমেন্ট অসিনা ইন্দিয়াগী লালহৌবা পুন্নমক তকথোরক্লবা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎলকপদা অপেনবা পোকই।

নোংমাইজিং নুমিৎতগী হৌনা পাঙথোক্লিবা 'পুলিস ৱীক'কী থৌরমদা ৱা ঙাঙলদুনা মহাক্না হায়খি, মিলিটেন্টশিং তকথোক্লবগী মতাংদা বাংলাদেশকী সেক্যুরিটি ফোর্সেসনা লৌখৎলিবা থৌরাং অসি থাগৎনীংঙাইনি।

মহাক্না হায়খি, বাংলাদেশী সেক্যুরিটি ফোর্সেস লৈতবগী খুদোংচাবা লৌরগা ইন্দিয়াগী লালহৌবশিংনা লৈবাক অদুগী মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদা কেম্প হাংদোক্তুনা লৈরি। মরুওইনা চিতাগোং হিল ট্রেক্টকী মফমশিংদা লালহৌবগী কেম্প কয়ামরুম লৈরি। মফমদুদা অনৌবা কাদরশিংবু খুৎলাই শীজিন্নবগী মতাংদা ট্রেনিং পীরি।

ষ্টেটকী হোম মিনিষ্ট্রিগী পোর্টফোলিওসু পায়রিবা মনিক সরকারনা হায়খি, ত্রিপুরাদা লালহৌবগী ঈহৌ মপুং ফানা লাকশিনবা ঙল্লে হায়না ক্লেম তৌবা য়াদ্রি। মরক মরক্তা বাংলাদেশলোমদগী চেম্থোরকপা লালহৌবা কয়া ত্রিপুরাগী মফম খরদা লোৎতুনা লৈবগী থৌওং অমা চথুরি। ষ্টেট অসিগী ওইনসু নহারোল কয়াবু কনাগুম্বনা অরানবা লম্বীদা লমজিংদুনা লালহৌবা য়াওহন্নবা হোৎনরি। মপুং ফানা ঈং-তপ্পা ফিভম লৈহনবগা লোয়ননা শেমগৎ-শাগৎপগী থবক পায়খৎপা ঙম্নবগীদমক সেক্যুরিটি ফোর্সেসকী মপাঙ্গল কনখৎহনবা মথৌ তাই হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা ত্রিপুরাগী দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস কে নগরাজনা হায়খি, বাংলাদেশতা তোঙান-তোঙানবা লালহৌলুপ ১৬ লোমগী কেম্প লৈরি। খুৎলাই থাদোক্তুনা চঙজরক্লবা লালহৌবা খরা ৱাহং-পাউহং চথুবদা ৱাফম অসি খঙলকপনি। হন্দক্তা লোইশিনখিবা চহীদা লালহৌবগা মরী লৈনবা থৌদোক অমত্তা ত্রিপুরাদা থোকখিদে হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# গাড়ীদগী ওক্সিজেন থাদোরকপ্রা : সুপ্রিম কোর্ট

ন্যু দিল্লি, জন্যুৱারী ০৫ ঃ
দিল্লিদা দিজল কার থৌবা য়ারোই হায়না থম্লিবা অথিংবা অমবু লৌথোকহনবা পাম্লিবা টোয়োটা অমদি মর্সিদিজ য়াওনা গাড়ী শাবা কম্পনিশিংগী মফমদা সুপ্রিম কোর্টনা হায়খ্রে, মদুদি নখোয়গী গাড়ীশিংদগী ওক্সিজেন থাদোরকপ্রা।

দিল্লিদা নুংশিৎ মোৎশিল্লকপগী চাং হন্থহন্নবগী পান্দমদা থমখিবা অথিংবা অমবু লৌথোকপীয়ু হায়না মহিন্দ্র এন্দ মহিন্দ্র লিমিটেদনচিংবা ওটোমেকর কয়ানা সুপ্রিম কোর্টতা হায়জরকখিবনি। মমাং থাদা সুপ্রিম কোর্টনা পীখিবা য়াথং অমগী মতুংইন্না সী সী ২০০০ দগী হেনবা ইঞ্জিন পানবা গাড়ীশিং মার্চ ৩১ ফাওবা দিল্লিদা য়োনবা য়াররোই।

মালেমদা নুংশিৎকী ফিভম খ্বাইদগী মোৎপা সীটি ২০গী মিং ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসননা লাউথোরকপদা ১৩ দি ইন্দিয়াদা লৈরি। ইন্দিয়াগী ওইনা নুংশিৎ খ্বাইদগী মোৎপা সীটিনা দিল্লিনা ওইরি।

নৌনা পুথোরক্লিবা এস য়ু ভি অমদি অচৌবা কারশিংনা ঈশিং নুংশিৎতা থোইদোক্লা অকায়বা পীদে হায়না পল্লদুনা মর্সিদিজ অমদি টোয়োটানচিংবা কার শাবা কম্পনিশিংনা অথিংবা অসি কোমথোকপীনবা সুপ্রিম কোর্টতা ৱাকৎলকখিবনি।

সুপ্রিম কোর্টনা ৱাফম অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা হায়খি, নৌনা পুথোরক্লিবা গাড়ীশিংনা নুংশিৎ মোৎহন্দে হায়বা লৈরবদি হীরম অসিগা মরী লৈননা মতিক চাবা চে-চাং পুথোরক্কদবনি। দিজলনা চেনবা গাড়ীশিংদগী কামথোরকপা মৈখুবু ওক্সিজেন ওইনা লৌবা য়ারোই হায়না সুপ্রিম কোর্টনা মখা তানা ফোঙদোকখি। কোর্টনা হায়খি, অথিংবা অসি অমুক্কা হেন্না পাকথোক-চাউথোরক্তুনা সী সী ২০০০গী মখাদা লৈবা ইঞ্জিন পানবা গাড়ীশিংদসু চৎনহন্নবা ৱাফম খন্নরি। সীটি অসিদা চেল্লিবা দিজল কার খুদিংমক্তগী তোখায়বা গ্রীন টেক্স অমা লৌনবগী ৱাফমসু খন্নরি। অদুবু চপ চানা ৱারেপ লৌবা লৈত্রি।

সুপ্রিম কোর্টনা অচৌবা দিজল কারশিং মতম খরগী ওইনা অথিংবা থম্লকখিবা থৌওং অদুনা মরম ওইরদুনা ইন্দিয়াগী কার ইন্দষ্ট্রিজদা অচৌবা চৈথেং অমা পীরে।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা চহী হৌবা নুমিৎতগী কেপিটেল সীটিদা অনৌবা থৌরাং অমা লৌখৎতুনা তুমা শুবা নম্বর থাবা গাড়ীশিংবু নোংমা চেলহল্লগা তুমা শুদবা নম্বর থাবা গাড়ীশিংবুনা অতোপ্পা নুমিৎ অমদা চেলহনবগী থবক পায়খৎখ্রবনি।

থৌরাং অসি চৎনবা হৌখিবদগী লম্বীদা গাড়ী চেনবগী চাং খরমখৈ হন্থহনবা ঙল্লবসু মায়কৈ কয়াদগী অনৌবা থৌরাং অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লুরকখি। অনৌবা থৌরাং অসি মায় পাকহন্নবগীদমক দিল্লি পুলিসনা তোঙান-তোঙানবা মফম ১২০ দা চেক পোইন্ট হাংদোক্তুনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখ্রবনি।

# পেরামিলিটরি ফোর্সেসতা নুপী কোনষ্টেবল চাদা ৩৩ লৈহল্লগনি

ন্যু দিল্লি, জন্যুৱারী ০৫ ঃ
সেন্ট্রেল রিজার্ব পুলিস ফোর্স (সী আর পি এফ) অমদি সেন্ট্রেল ইন্দষ্ট্রিএল সেক্যুরিটি ফোর্স (সী আই এস এফ) নচিংবা পেরামিলিটরি ফোর্স খুদিংমক্তা লৈরিবা কোনষ্টেবলশিংগী মনুংদা চাদা ৩৩ নুপী ওইহল্লগনি। সসস্ত্র সিমা বল (এস এস বি) অমসুং ইন্দো টিবেটান বোর্দর পুলিস (আই টি বি পি)তনা চাদা ১৫ ওইহল্লগনি।

হোম মিনিষ্ট্রিনা থাদোরকখিবা ৱারোল অমনা হায়খি, সেন্ট্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্সেসতা নুপীবু মপুং ফানা থৌদাং লৌহন্নবগী পান্দমদা হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা কোনষ্টেবল চাদা ৩৩ নুপী ঙাক্তা ওইহন্নবা ৱাফম অয়াবা পীখ্রে। কম্মিটি ওন ইমপৱারমেন্ট ওফ ৱিমেননা অয়াবা পীরবা মতুংদা হোম মিনিষ্ট্রিনা হীরম অসিগা মরী লৈনবা থৌরাং অমা লৌখৎলকখিবনি।

মালেমদা খ্বাইদগী চাউবা পেরামিলিটরি ফোর্সনি হায়না লৌনরিবা সী আর পি এফতা হৌজিক-হৌজিক নুপী কোনষ্টেবল ৬৩০০ লোম লৈরি। নুপীবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎপগা লোয়ননা অহেনবা থৌদাং শীন্নবগী পান্দমদা অনৌবা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি। পার্লিয়ামেন্টরি ষ্টেন্দিং কম্মিটি ওন হোম এফেয়র্সনা হন্দক থিজিনবদা শুপ্পগী নুপী কোনষ্টেবল চাদা ৯ খক দিল্লি পুলিস ফোর্সতা লৈরম্বা থেংনখি। মদুগী মতুং তারকপদা নুপী কোনষ্টেবলগী চাং অসি চাদা ৩৩ দা হেঙ্গৎহন্নবা কম্মিটিনা হোম মিনিষ্ট্রিদা খঙহনখি। মমাং চহীগী মার্চ ২০ দা গভর্ণমেন্টনা থবক হাপ্পদা নুপীগী সীট চাদা ৩৩ খাক্লবা ৱাফম অয়াবা পীখ্রবনি। মসিগী মথক্তা সেদ্যুল্ড কাষ্ট, সেদ্যুল্ড ট্রাইব, অদর বেকৱার্দ ক্লাস অমদি অতৈ কেটগরি খরগীসু সীট খাকপগী ৱাফম য়াওরি।

# সেন্ট্রেল টিমনা জয়াললিতা উনদুনা ঈচাউগী মতাংদা খন্নখ্রে

চেন্নাই, জন্যুৱারী ০৫ ঃ
সেন্টরনা থারকপা মীওই ৮ না শাবা মিনিষ্ট্রিএল টিম অমনা টামিল নাদুদা ঈচাউনা অমাঙ-অতা থোকহনখিবগী মতাংদা য়েংশিনখিবগা লোয়ননা চীফ মিনিষ্টর জয়াললিতাগা উন্নদুনা হীরম অসিগী মতাংদা খন্ন-নৈনখ্রে।

টিম অসিনা হন্দক টামিল নাদুদা থোকখিবা ঈচাউ অদুনা কয়া য়াম্না অমাঙ-অতা থোকহল্লবগে হায়বগী মতাংদা রিপোর্ট অমা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিদা পীখৎলগনি। য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিগী জোইন্ট সেক্রেটরি টি ভি এস এন প্রসাদনা লুচিংবা টিম অদুনা টামিল নাদু গভর্ণমেন্টপু ঈচাউগী মতাংদা মতিক চাবা রেস্ক্যু অমদি রিলিফ ওপরেসন চথুখিবগীদমক থাগৎপা ফোঙদোকখি।

সেন্টরদগী লুপা ক্রোর ২৫,৯১২গী তেংবাং পীবীরক্লবা হায়জখিবা জয়াললিতানা টিম অদুদা হায়খি, ঈচাউনা থোকহনখিবা অমাঙ-অতা পুন্নমক নৌনা অমুক শেমগৎ-শাগৎপদা য়াম্লবা শেনফম অমা চঙগদবা মরম্না সেন্টরগী মতেং লৌবা মথৌ তাই। ষ্টেট অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা ঈচাউনা থোকহনখিবা অমাঙ-অতা পুম্নমক ময়েক শেংনা য়েংশিনবীনবা সেন্ট্রেল টিম অদুদা মহাক্না হায়জখি।

হন্দক্তা লোইশিনখিবা চহীদা নোংকন্না চুরকপদগী চেন্নাই, কাঞ্চিপুরম, টিরুবলুর, কোদালুর, টিরুনেলভেলি অমদি টোটিকোরিন দিষ্ট্রিক্টতা ঈচাউ থোকখিবনি।

প্রসাদনা লুচিংবা সেন্ট্রেল টিম অসিনা মমাঙদসু ষ্টেট অসিদা লাক্তুনা ঈচাউনা থোকহনখিবা অমাঙ-অতাগী ফীভম য়েংশিনবা লৈখ্রবনি। জয়াললিতাগা উন্নখিবা অদুদা প্রসাদনা হায়খি, ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা হেল্থ কেম্প পাঙথোকপগা লোয়ননা মতিক চাবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপদগী ঈচাউ মতুংদা লৌনগনবা লায়না শংদারকপগী থৌদোক থোকখিদবনি। ঈচাউগা মরী লৈননা লৌখৎখিবা ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী থৌরাং অদুবু সেন্ট্রেল মিনিষ্ট্রি কয়ানা মমাঙদসু থাগৎপা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

# টেররিজমগী মতাংদা কোংগ্রেসনা খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনরকপা য়ানীংদে : বি জে পি

ন্যু দিল্লি, জন্যুৱারী ০৫ ঃ
পথানকোট এয়রবেজদা টেররিষ্টশিংনা এটেক চথুরকখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা কোংগ্রেস পার্টিনা খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনরে হায়না ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)না মরাল শিখ্রে।

বি জে পিগী স্পোক্সপার্সন জি ভি এল নরশিমহ রাওনা পাউমীশিংদা হায়খি, নেসনেল সেক্যুরিটিগা মরী লৈনবা ৱাফম অসি লৈবাক অপুনবগী ওইনা নুংনাংবা পোক্লীংঙাইনি। হীরম অসিদা পোলিটিকেল্লগী ওইবা খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনরোইদবনি। লান্মী কয়ানা থৱায় খুবাক্তা হাপ্তুনা ওপরেসন চথুরিঙৈদা কোংগ্রেস পার্টিনা মরম চাদবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্তুনা খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনরকখিবা থৌওং অদু য়ানীংদে।

মতম শাংনা গভর্ণমেন্ট পায়রকখিবা কোংগ্রেসপু য়ানীংদবা ফোঙদোক্লদুনা রাওনা হায়খি, মমাঙদা কোংগ্রেসনা গভর্ণমেন্ট পায়রিঙৈদা ডা. মনমোহন সিংহনা মমিং খক্তগী ওইনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইজরবসু অতোপ্পা মায়কৈ অমদগী লৈঙাক থৌদাং লৌখি। অসিগুম্বা লৈবাক্কী লুরবা তাঞ্জাদা কোংগ্রেসনা মরম চাদনা ৱা ঙাঙবা তৌরোইদবনি।

বি জে পি অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মফমদদি লৈবাক্কী ৱাফমনা মাঙ থাবা হায়বা পান্দম অমা লৈ। কোংগ্রেসকী ওইনদি ইমুং অমা কন্নবা হোৎনবদা লৈবাক্কীদমক থোইনা খন্দবগী থৌওং অমা মীয়াম্না ইশেং-শেংনা খঙনরবনি।

পাকিস্থানগা ৱারী শাননবা থৌরাং লৌখৎখিবগীদমক প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিবু কোংগ্রেস পার্টিনা অকন্নবা মওংদা য়ানীংদবা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

পথানকোটগী এয়রবেজদা হন্দক থোকখিবা থৌদোক অদুনা মরম ওইরদুনা য়ুমলোন্নবা লৈবাক অনীগী মরক্তা ফোরেন সেক্রেটরি থাক্কী মীফম অমা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরিবা অসি খুদক্তা লেপকদবনি হায়না কোংগ্রেসনা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হন্দক পাকিস্থানদা চৎতুনা লৈবাক অদুগী মহাক্কা ফম মান্নবা নৱাজ সরিফকা উন্নখিবা থৌওং অদুনা মরম ওইরদুনা মমল য়াম্লবা লান্মী ৭কী থৱায় মাঙহনখ্রে হায়না শিব সেনানা ফোঙদোকখ্রে।

WALLET LOST

I have lost my Wallet including PAN CARD, ATM Card of SBI, Kenches Trench, Branch Laban, Shillong, Liquor Card, Grocerry Card, Aadhar Card and Driving Licence issued by DTO, Bishnupur on the way between St. Joseph School to Tera Lukram Leirak on 5/01/2016.

Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- Ngariyambam Sanayaima Singh
Sagolband Tera Lukram Leirak
Mobile : 8811933361, 8575343163

HL-P/4020/06

CAS Centre for Advanced Studies
The only institute collaborated with ENRICHMENT, New Delhi
No.1 in Manipur
ADMISSION OPEN
ADVANCED COURSE
FIRST BATCH (2016 - 2017)
CLASS X
(Eng, Maths, Science., Social Sc. & Man)
Revision Course
CLASS X
CLASS XII
Admission Going on
SPECIAL FACULTIES OF CAS
- Special Guest Teachers(Council & Board).
- Experienced and Expert Faculties.
- Exam. Oriented Chapterwise Study Materials.
- Weekly and Monthly Test Series.
- Targeted Suggestion for Final Exam. by Experts.
- Vision for toppers.


15th Position
Waikhom Sylvish
92%HSLCE(2013)


16th Position
Sonia Naorem
89%HSLCE(2012)


17th Position
Y. Sadananda
90.6%HSLCE(2015)

Class commencing from 14th January 2016
Morning Batch (5.30- 9.30 A.M.)
Evening Batch (4.30- 7.30) P.M.
Van Service, Hostel for BOYS & GIRLS available
For Details contact:- CAS Office
(Office Hour: 5.00 am - 7.30 pm)
Keishampat Junction, Imphal.

HL-B/2800/3,5,7,9,11,13,15,17,19,21

/ লায়েংজরি
UMA AYURVEDIC CLINIC
(DR.(VAID) R N GUPTA)

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

(অঙৌবা পকপা)
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্না ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙল্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থরক্কনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙল্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং ভসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)
ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙল্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙল্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)
শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

HOW TO GIVE UP WINE
If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegitables or tea without telling him.

HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL
If you want to control diabeties, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

DR.(VAID) R N GUPTA (396),
Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream
Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,

HL-B/2863/28/12-27/01

OFFICE OF THE
MANIPUR URBAN DEVELOPMENT AGENCY (MUDA),
PDA COMPLEX, NORTH AOC, IMPHAL

**NOTIFICATION**

Imphal, the 2nd January, 2015

**No. 14/11/2015-MUDA:** This is to bring to the notice of all the residents of the Imphal Municipal Corporation (IMC) area that financial incentive of an amount of ₹ 4,400/- may be claimed by any individual under the Swachh Bharat Mission (Urban) for the following:

1. Construction of new Individual Household Latrine
2. Conversion of the existing household insanitary latrine to sanitary latrine (latrines with single pit/ direct flush into open drain/serviced by animals are considered insanitary).

(Application forms can be downloaded from www.imc.mn.gov.in / www.muda.mn.gov.in )

Duly filled application form along with a *recent passport size photograph and photocopy of front page of bank passbook* may be submitted to the nearest Common Service Centre (CSC) established by IT department under NeGP which will be uploaded by the CSC *at free of cost*. The contact details of CSC of IMC area are as below:

| Sl. No | Name of CSC Operator | Address | Contact No |
|---|---|---|---|
| 1 | Ningthoujam Pavel | Meckley Solutions, RIMS Road | 9612571718 |
| 2 | Subash | Angels Media Service, Uripok, Near JAS Gas Station. | 9863320401 |
| 3 | Takhellambam Sanatombi Devi. | CSC Sega Road, Takhellambam Leikai. | 9856152981 |
| 4 | Laitonjam Premjit Singh | CSC Keisamthong Elangbam Leirak. | 9862964848 |
| 5 | Joyshanker | Ireima Speed Writing Centre, Singjamei Chingamakhong | 9402768826 |
| 6 | Yaiphaba Moirangthem | Gobin Media, Kongba bazaar | 9774115665 |
| 7 | Thoudam Sumon Singh | CSC Imphal East-I(BDO office) | 9856143512 |
| 8 | Soubam Rozer | Bijoy Dukan, Thangapat Mapal. | 9862388821 |
| 9 | Maibam Nandakumar | CSC Maibam Leikai. | 8974043737 |
| 10 | Sapam Munindro | M/s Aimon Technologies, 2nd floor, Bokul Building Paona International Market. | 8413965687 |
| 11 | A. Binakumari Devi | CSC Yambem, Tera Yambem Leikai. | 9612879719 |

Financial incentive of ₹ 4,400/- may be claimed from IMC on completion of construction and submission of geotagged photograph of the completed latrine to the CSC which will be examined and verified by IMC and deposited directly into the bank account of the applicant by IMC.

(N. Gitkumar Singh)
Member Secretary,
Manipur Urban Development Agency,
(MUDA), Imphal

HL-B/2882/6&8

GOVERNMENT OF MANIPUR
OFFICE OF THE RETURNING OFFICER/SDO: MOIRANG

NOTICE OF COUNTING OF VOTES

Moirang, the 4th January, 2015

No. 1/SDO/RO/MRG/MC-ELEC/2015: In pursuance of Rule 71 of the Manipur Municipalities( Election of Councillors) Rules, 1994 and Rule 70 of the Manipur Municipality Community Participation(Election of Ward Development Committee Members) Rule, 2010, notice is hereby given to all the contesting Candidates/Election Agents in connection with the ensuing General Elections to Municipal Councils and Nagar Panchayats, 2015-16 for Moirang Municipal Council , Kwakta Municipal Council and Kumbi Municipal Council of Moirang Sub-Division, Bishnupur District that:

1) Counting of votes will be done in the Counting Hall No. 3 located on Ground Floor in the North- Western Wing of Mini- Secretariat, DC Complex, Bishnupur and Counting of votes will commence from 8 A.M. onwards of 15th January, 2016( Friday).
2) There will be 10(ten) Counting tables and 1 (one) table for Returning Officer.
3) The Counting of votes for Ward Councillors and Ward Development Committee Members will be taken up ward wise.
4) All the Contesting Candidates/Election Agents are informed to appoint their Counting Agents in Form No. 25 in duplicate, a copy of which shall be forwarded to the undersigned while the other copy shall be made over to the Counting Agents for production before the Returning Officer at 7. 00 A.M. of 15th January, 2016. No Counting Agents shall be admitted into the counting Hall unless he/ she has delivered to the Returning Officer, the second copy of his/her appointment order after duly completing and signing the declaration contained therein and receiving from the Returning Officer for entry into the Counting Hall. The prescribed form may be obtained from the office of the undersigned during office hours.
5) Revocation of appointment of a Counting Agent shall be made in Form 26 and lodge with the Returning Officer in the advent of any such revocation before commencement of the counting of votes, the candidate or his/her election agents may make a fresh appointment.
6) The Strong Room No.3 located on first floor of Mini- Secretariat, DC Complex, Bishnupur will be opened at 7.00 A.M. of 15th January, 2016 by the Returning Officer for counting of votes. Candidates/Election Agents are informed to be present for opening of strong room. In case any candidate/election agent/counting agent fails to turn up by the above appointed hour and date, the lock of the strong room shall be opened in their absence.
7) The Postal ballot papers from voters on election duty shall be received till 7 am of 15th January, 2016 (Friday) and shall be dealt with first for counting before the polled ballot boxes are taken up for scrutiny and counting of votes.

Place : Moirang
Dated : 03/01/2016

Sd/- Bantee Singh Konthoujam
Returning Officer/SDO, Moirang

HL-B/2881/6